# এ আর সী শিল্লোংনা নিশা থাংমৈবন্দ টাই ব্রেক্তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা চথরিবা ৬০ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে সী এস আই, সী বি ঈ, মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা আসাম রেজিমেন্টেল সেন্টর (এ আর সী) শিল্লোং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা এ আর সী শিল্লোংনা লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিএশন (নিশা থাংমৈবন্দ) টাই ব্রেক্তা গোল ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা এ আর সী শিল্লোং সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মায় পাক্লবা এ আর সী শিল্লোংনা সেমী ফাইনেলদা সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) গা থেংনরগনি। মণিপুর মপান্দগী শরুক য়ারিবা এ আর সী শিল্লোং অমসুং নিশা থাংমৈবন্দ অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্নবা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুগী তাঙ্কক কয়াদা মায়কৈ অনীমক্কী গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনখি অদুবু মেচ অদুগী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে।

মমিং লৈরবা টিম অনী অসিনা শান্নখিবা মেচ অসি করম্বা টিম্না মায় পাক্কনি হায়বা অরুবা অমা ওইখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতমদা এ আর সী শিল্লোংগী শান্নরোয়শিংনা এটেক তৌবগী চাং খরা ৱাংনা লৈখি। অদুবু মেচকী হাফ মতুংদা নিশাগী শান্নরোয়শিংনা অমুক অকনবা এটেকশিং চথুদুনা শান্নখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা এ আর সী শিল্লোংগী গোলকিপর টি ঐচ রোসন্না মেন ওফ দ ফোর্থ ক্বার্টর ফাইনেল মেচকী মনা ফংখি।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদ্রবা মতুং টাই ব্রেক্কী কিক্স ফ্রেম পেনালটিমার্কতা এ আর সী শিল্লোংগী শান্নরোয় এল রোসেন্দ্রো, ৱাই রন্ধন, ফ্রান্সিস, জোনলুঙ্গা, এস সনাতোন অমসুং ঐচ ভিজেস মখোয় মঙানা গোল ওন্থোকপা ঙমখি।

অমরোমদা নিশা থাংমৈবন্দগী শান্নরোয় এল মিলন, সহাবাজ, ও প্রামেশ্বর অমসুং কে ঐচ নাওতোন মখোয় মরিনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি। নিশাগী শান্নরোয় এস রোজেন্না কাওখিবা পেনালটি অদু এ আর সীগী গোল কিপ্পর টি ঐচ রোসন্না য়াম্না হৈশিংনা সেফ তৌখিবনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

হয়েং অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ এফ সী জালেন অমসুং নেরোকা এফ সীগা শান্নরগনি।



**FIRST SEMI FINAL**
FC ZALEN Vs NEROCA FC - *19/12/2016 (1.30 pm)*
**SECOND SEMI FINAL**
SSU Vs ARC SHILLONG - *20/12/2016 (1.30 pm)*

জুনিয়র হোকি ৱর্ল্ড কপ ২০১৬

# ইন্দিয়ানা বেলজিয়মবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা অনীরকশুবা ওইনা টাইটল লৌখ্রে

লক্ষনৌ, দিসেম্বর ১৮ ঃ

ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমনা মফম অসিগী মেজর ধ্যান চান্দ হোকি ষ্টেদিয়মদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা জুনিয়র হোকি ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল মেচতা বেলজিয়মবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা অনীরকশুবা ওইনা টাইটল লৌখ্রে।

য়ূম্মুনা মেচ হেক হৌখিবগা বেলজিয়মগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌখিদুনা শান্নরকখি। মেচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা ইন্দিয়ানা বোল পায়বা হেনখিবনা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি।

ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা টিমগী সাইদতা অতৎ অখম লৈতনা এটেকশিং তৌখি। হরেন্দ্র সিংহগী ক্রপ অসিনা চঙশিনখিবা মশক থোক্লবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা গুরজান্ট সিংহনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেচ অদুগী মিনিট ১৪ গী মতুংদা সিমরনজিৎনা সার্কলগী মনাক্তগী মতিং থোক্লবা বোল অমা কনশিনখিদুনা গোল চনবা য়ারম্বা খুদোংচাবা অমা অরেম্বদা তাখি।

ইন্দিয়ানা মখা তানা মায়োক্নখিবা টিমগী সাইদতা এটেকশিং তৌদুনা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক হোৎনখি। ফাষ্ট হাফতা ইন্দিয়ানা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা সিমরনজিৎ সিংহনা বোক্সতগী শাফু কন্না য়ৈশিনখিবা বোল অমা বেলজিয়মগী গোল পোষ্ট মনুংদা চঙখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ২-০ দা অমুকসু মাঙজিল থানা চৎখি।

বেলজিয়মসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা ইন্দিয়াগী সাইদতা চঙশিনখ্রবসু অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা শোৎথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা বেলজিয়মগী সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা মখা তানা গোলশিং চন্নবা হোৎনরকখি। ইন্দিয়ানা তৌখিবা এটেকশিং অদুগী মহয়না পেনালটি কোর্নর অনী ফংবা ঙমখি। অদুবু অমত্তা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। বেলজিয়মসু হনবা লৈতনা ইন্দিয়াগী সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়না অকনবা শাফুগা লোয়ননা চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা খরা ফংখ্রবসু ইন্দিয়াগী লিংলবা দিফেন্সপু থুগাইদুনা গোল পোষ্ট তম্না চঙশিনবা ঙমখিদবনা গোলগী আশা মাঙখি। অদুবু মখোয়না মেচ লোইগদবা পুংজা খরখক্তা ঙাইরক্লবা মিনিট ৭৮ চৎপা মতমদা তৌখিবা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা ফাবরাইস ভান বোকাজেকনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা নিংথিনা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি। অদুবু মখোয়না ইন্দিয়াবু থিংনবা হোৎনবদা মতম থেংখিবনা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০১ দা জুনিয়র হোকি ৱর্ল্ড কপকী অহানবা টাইটল লৌখি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়া অমদি জর্মনিনা টাইটল অসি অমদগী হেন্না লৌবা ঙম্বা টিমসু ওইবা ঙমখি।



# এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ ঃ য়ঙ স্পোর্টিং এসোসিএশন লিলোং হাওরৈবি চন্দ্রখোংনা শিন্দুনা চথরকখিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না ওইখ্রে।

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না বাখে সেট ৩-১ (২৫-২৩, ২৫-২১, ১৮-২৫, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না লুপা লিশীং ১০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা বাখেনা লুপা লিশীং ৮ গী শেলগী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবমদা লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা পীখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা এন ৱাই ভি এগী এন বুধচন্দ্রনা বেষ্ট সেট্টর তাখি। ৱাই এস এগী এম দি অনিশুনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি। বাখেগী থুৱানপামৈনা বেষ্ট স্পাইকর অদুগা এন ৱাই ভি এ নাওরেমগী ও বসন্তনা বেষ্ট দিফেন্দরগী মনা ফংখি।

ইন্দিভিজুএল প্রাইজ ফংখ্রবা শান্নরোয় ৪ দা লুপা ৫০০/৫০০ গী শেলগী মনা পীখি।

# খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ ঃ শিংজমৈ কাংখুৎনা শিন্দুনা চথরিবা চহী ৫০ অমসুং ৬০ মথক্কী শিংজমৈ কাং টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখুৎ মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখুৎনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ টোসতা মায়থীবা পীদুনা খুন্দ্রাকপম ফাইনেল চঙখিবনি। মেচ অদুগী অপীবা মতমদা খুন্দ্রাকপম অমসুং ৱাঙ্গোই পাঞ্জল ১৫/১৫ লৌনখি। টাই ব্রেক্তসু টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১৭/১৭ চপ মান্ননা লৌনখি। তুংদা টোস তৌদুনা মায় পাকপা খনবদা খুন্দ্রাকপমনা ঙমখিবনি। হয়েং অনীশুবা সেমী ফাইনেল শিংজমৈ টিম বি অমসুং নম্বোল শান্নরগনি।

loan pijari LOAN AVAILABLE loan pijari

1. Vehicle loan (2wheeler/3wheeler/4wheeler etc....)
2. Business loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
3. Self Help Group (S.H.G) loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
4. Pension loan (1.5%, 2%, 2.5%&3% P.M)
5. Gold loan (1.5% to 2.5% P.M)
6. Electronics loan (T.V, Laptop, Xerox Machine, Washing Machine, etc...)
7. Machinery loan (Flex machine, Iron soldering machine, Water pump, etc....)

কনাগুম্বা মীওইশিং অমসুং L.G. MOTORS গী LOANEE শিংগী ওইনসু পৈশা শানদোকপা (পুথোকপা) দসু য়াম্না কানরবা FACILITIES পীজরি।

Please contact:- L.G. MOTORS
& Development Organisation For Socio-Economic In Rural Area(DOFSIRA)
Office Hour: 10.00am-04:00pm KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
Branches:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,THOUBAL OKRAM, SAMUROU NEAR MACHU HALL, NAMBOL LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING OPP. ELECTRICITY OFFICE.
HL-B/3524,7,9....

# রন্নর্স-অপ তারকখ্রবা মিনি বোইজ বোল্লিবোল টিম ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ ঃ মধ্য প্রদেশকী মুরেনাদা লৈবা বি আর অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা নবেম্বর ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা ২৫ শুবা মিনি বোইজ নেসনল বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা রন্নর্স-অপ তারকখ্রবা মণিপুর মিনি বোইজ বোল্লিবোল টিম ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী সেক্রেটরি এন জি ইনাওচাগী থাংমৈবন্দ লাইরেহঞ্জবা লৈকায়দা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরমদুগা মরী লৈননা এসোসিএশনগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা তুংদা লাক্কদবা চেম্পিয়নশিপ্তসু হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরক্নবা হোৎনসি হায়না পূক্নিং থৌগৎখি।

# বাইলেটরেল সেরিজগী অহুমশুবা ও দি আইদা মণিপুরনা বিহার রন ৪৩ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর অমসুং বিহার অনীগী বাইলেটরেল সেরিজকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ও দি আইদা মণিপুরনা অমুক হন্না বিহারবু রন ৪৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

বিহার অমসুং মণিপুর অনীগী মরক্তা ও দি আই ৫, টি-২০ অনী, ফোর দে মেচ অমা শান্নগদৌরিবা বাইলেটরেল সেরিজ অসিগী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা ও দি আই অদুদা মণিপুরনা বিহারবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি।

নীংশিংবা য়াই, সেরিজ অসিদা মণিপুর অমসুং বিহার অনীগী মরক্তা ও দি আই অহুম শান্নখিবদা অহুম্মক মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুদা মণিপুরনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌনবা খনখি। ওভর ৪০/৪০ শান্নখিবা মেচ অদুদা মণিপুরনা ওভর ৪০ মায়োক্নখিবদা রন ১১০ লৌরগা ওল আউট ওইখি। মণিপুরগী বেটচমেন সুলটান্না রন ১৮(২৫), বিশ্বাসনা রন ১৭(১৮), প্রিয়োজিৎনা রন ৪০ (৪৭), নিকোন্না রন ১৩ (১৮), থোমাসনা রন ১০ (১৮) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা বিহারগী বোল্লর প্রকাস য়াদবনা ৱিকেট ৩, প্রমোদ য়াদব, কুন্দল কুমার অমসুং অজে য়াদবনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

মণিপুরনা থম্লম্বা টার্গেট অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা বিহারনা ওভর ৩১.৪ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী রন ৬৭ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা মণিপুরগী মখূৎতা রন ৪৩ দা মায়থীখি। মেচ অদুদা মণিপুরগী প্রিয়োজিৎনা রন ১৪ (১৭) লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3537/14/12-14/01







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com